# মারাদোনা ক্ষেত্রিময়ুমনা সেনিয়র, থোকচোম গ্যানেন্দ্র মৈতৈনা জুনিয়রগী ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে






ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা নোর্থ এ ও সিদা লৈবা আশা সিনেমা হোলদা পাঙথোকপা মিষ্টর মণিপুর কন্টেষ্টতা কে বি বি টি সি ককচিংগী মারাদো ক্ষেত্রিময়ুমনা সেনিয়রগী অমদি মাউটেন জিম থাংমৈবন্দগী থোকচোম গ্যানেন্দ্র মৈতৈনা জুনিয়রগী ওভর ওল চেম্পিয়ন তাখ্রে।

কন্টেষ্ট অসিগী মখাদা পাঙথোকপা মাষ্টর্স চহি ৫০ মখাগী কম্পিটিসনদা ৱাই বি বি জিম পীশুমথোংগী কাংজম দিনেস সিংহনা মকোক ওইখি। ৱাই বি বি জিম য়ুরেম্বমগী ঙাসেপ্পম হিরেন মৈতৈনা অনীশুবা তাখি। অদুগা খম্নাম বজারদা লৈবা পম্খলগী টি ঐচ রামেশ্বর সিংহনা অহুমশুবা তাখি।

চহি ৫০ মথক্কী মাষ্টর্স কম্পিটিসনদা লংথবালগী এম রঞ্জিব মৈতৈনা মকোক ওইখি। ইরোইশেম্বদা লৈবা কাওজিমগী এন কিরন সিংহনা অনীশুবা, উরিপোক্কী ৱাই পি আই এস এমগী এল হেরামানিনা অহুমশুবা, কোংপালগী ঐচ টি এ গী এন জি বিরমঙ্গল সিংহনা মরিশুবা অদুগা জিম অদুমক্কী আর কে নরান সিংহনা মঙাশুবা তাখি।

নুপাগী ফিজিক কম্পিটিসনদা ৱাঙ্খেগী বি বি সিগী এন ঙাম্বোইবা মৈতৈনা মকোক ওইখি।

ককচিংগী কে বি বি টি সিগী এন চিংলেন সিংহনা অনীশুবা, ৱাঙ্খে বি বি সিগী এস অনন্দনা অহুমশুবা, শগোলবন্দগী কম্বাইন জিমগী ৱাঙ্খেম মহেসনা মরিশুবা অদুগা য়াইস্কুলগী ৱার্ল্ড জিমগী রনৱিস অথোকপমনা মঙাশুবা তাখি।

নুপীগী বোদি বিল্ডিং কম্পিটিসনদা ককচিংগী কে বি বি টি সিগী মাইবম রোজিতা দেবীনা ফার্ষ্ট তাখি। ইলাংবম লৈকায়গী পি বি বি পি টি সিগী কৈশাম লিনদা মঙাংনা অনীশুবা অদুগা জিম অদুমক্কী চোংথাম সোনিয়া দেবীনা অহুমশুবা তাখি।

চহি অসিগী খ্বাইদগী ফবা কোচনা ৱাই পি আই এস এম উরিপোককী ডাঃ এল দব্লিউ অনন্তনা তাখ্রে।

বেষ্ট টিম চেম্পিয়নননা ৱাই পি আই এস এম উরিপোকনা অমদি সেকেন্দ বেষ্ট টিম চেম্পিয়নননা ৱাই বি বি জিম পিশুম্না তাখ্রে।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল ৫-এ সাইদ ওপন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৭

## এস আই ৱাই দব্লিউ ও, এফ সি তেললৌ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

পি কে এল দি সি পোরোম্পাটনা শিন্দুনা টিম ২০না গ্রুপ ৫ থোক্না খায়দোক্নুনা কোংপাল ষ্টুদেন্ট ক্লবকী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ৫-এ সাইদ ওপন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস আই ৱাই দব্লিউ ও মোংশাংগৈ, এফ সি তেলহৌ অমদি বোইকা এফ সি মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচ অমদা য়ুনিটি এফ সি অমদি য়ু পি সি খুরাই টিম অনীনা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনবদা নাকল অনীমক্না গোল অমফাওবা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। অনীশুবা মেটচতা এস আই ৱাই দব্লিউ মোংশাংগৈ অমদি টি এম ৱাই সি ক্যামগৈ টিম অনীনা লম্বা তৌনবদা এস আই ৱাই দব্লিউনা গোল ২-১দা মায় পাকখ্রে।

মায় পাক্লবা এস আই ৱাই দব্লিউ গী গোল অদু থোকচোম রোমিনা মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি কোন্সননা ৩৭শুবা মিনট অসিমক্তুদা গোল অমগা চনখি। মায়থিহৌরবা টিম এম ৱাই সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এম দি ইগবালনা মেটচকী মিনট ৪০ চৎপদা চনখি।

অহুমশুবা মেটচতা এফ সি তেললৌ অমদি কে সি দি ও এফ সি টিম অনীনা লম্বা তৌনবদা এফ সি তেললৌ না গোল ১-০দা মায় পাকখ্রে।

মায় পাক্লবা এফ সি তেললৌগী গোল অদু অঞ্জয়না মেটচকী ৮শুবা মিনটতা চনখি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদনা কিং এফ সি হৈঙাং অমদি বোইকা এফ সি কোংপাল কোংখাম লৈকায় টিম অনীনা লম্বা তৌনবা গোল ০-০ দা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং শান্নগদবা অহানবা মেটচতা নাওবা এফ সি গা লককি এফ সি গা, অনীশুবা মেটচতা লিজেন এফ সি গা টি এম ৱাই সিগা, অহুমশুবা মেটচ য়ুনিটি ক্লবকা কে এস সিগা, মরিশুবা মেটচতা আই টিগা দি আই সি নহারুপকা অমদি মঙাশুবা মেটচতা কিং এফ সি গা রাউগা লম্বা তৌনরগনি।

# ২৭শুবা কে সি মাল্লিক মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## এলএফসিনা এলঐচৱাইসিবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা টিম ১৪না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা ২৭শুবা কে সি মাল্লিক মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ ঙসি শান্নখিবা প্রিলিমিনরি নোক আউত ষ্টেজগী অহুমশুবা মেটচতা এলএফসিনা এলঐচৱাইসিবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা এলঐচৱাইসি টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।



ঙসি শান্নখিবা প্রিলিমিনরি নোক আউত ষ্টেজগী অহুমশুবা মেটচ অসিদা এল এফ সি অমদি এল ঐচ ৱাই সি টিম অনীনা শান্নখি। এল এফ সি না তোচ ঙমদুনা মাইকৈ খনখি অদুগা ঐল এচ ৱাই সি টিমনা বোল কাওবা হৌখি।

এল এফ সি গী শান্নরোই এমেজিং (জর্সি নম্বর ৬) না ২৯শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকখি অদুগা এল ঐচ ৱাই সি গী শান্নরোই লালবোয় না ৩৫শুবা মিনটতা গোল অমা অমুক চন্দুনা টিম অনীমক্না চপ মান্ননা গোল ১-১ চন্নদুনা লৈনখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা টিম অনীনা য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু অরোইবা মতমদা এল এফ সি গী শান্নরোই বাবু (জর্সি নম্বর ১২) না ৭০ শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা এল ঐচ ৱাই সি বু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

লাক্লিবা দিসেম্বর গী তাং ২৮ দা প্রিলিমিনরি নোক আউত ষ্টেজকী ৪শুবা মেটচ অসিদা পি ৱাই সি ফাইতোল অমদি পি এস জি লুংগ্রেজাংগা শান্নগনি। ঙসিগী মেটচ অসি অজিজ হায়দর, এস রাজেস সিংহ, লালহিনথাং অমদি জেম্মীনা সেন্টর রেফরি, এ আর ১, এ আর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

# প্রোফেসনেল রেষ্টলিং লীগকী ওক্সনদা সুসিল কুমার খ্বাইদগী মমল য়াম্না রেষ্টলর ওইখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৪ঃ



ইন্দিয়ানা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোকপা প্রো রেষ্টলিং লীগ (পি দব্লিউ এল) গী অহুমলক শুবা ইদিসনগী ঙরাং শান্নরোইশিংগী ওক্সন লাউবদা ওলিম্পিক মেডল অনীরক ফঙবা ঙমখ্রবা সুসিল কুমারবু দিল্লি সুলতাননা লুপা ৫৫,০০০০ দা লৈদুনা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা রেষ্টলর ওইখ্রে।

নুপীগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ গোল্ড মেডলিষ্ট য়ু এস এ গী রেষ্টলর হেলেন মোরোলিসপু হারিয়ানা হেমর্সনা লুপা ৪৪,০০০০ দা লৈদুনা নুপীগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা রেষ্টলর ওইখি।

পি দব্লিউ এনগী অহুমশুবা সিজন অদুদা হারিয়ানা হেমর্সকী মাইকৈদগী লুপা লাক্ষ ৪৪দা লৈখিবী হেলেন মোরোলিসনা টিম অসিদা য়াওদুনা লীগ অসিদা শরুক য়াবা অসি মহাক্কী মাইকৈদগী নুংঙাইবা অমদি হরাওবা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী রেষ্টলর ২০১৬ রিও ওলিম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙখিবী সক্সি মালিক মুম্বাই মহারাথিনা লুপা লাক্ষ ৩৯ দা লৈখি। নুপাগী রেষ্টলরশিংগী মনুংদা কেজি ৬৫গী কাংলুপ্তা নুপা রেষ্টলর ব্রজং পুনিয়া য়ু পি দঙ্গনগী টিমনা লুপা লাক্ষ ২৫ দা লৈখি। লোয়ননা টিম অদুমক্না ভিনেস ফোগট লুপা লাক্ষ ৪০ দা লৈখি। টিম অসিমক্না বিনেসকী মচে গিতা ফোগটসু লুপা লাক্ষ ২৮ দা লৈখি।

নুপাগী মাইকৈদা রিও ওলিম্পিক্স গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডলিষ্ট ইরানগী রেষ্টলর হসন রহিমি সবজালিবু হারিয়া হেমর্স টিমনা লুপা লাক্ষ ৪৬ তা লৈখি।

রুসিয়াগী রিও ওলিম্পিক্সতা গোল্ড ফঙখিবা রেষ্টলর সোস্লান রামোনোব কেজি ৬৫ মখাগী কেতেগোরিদা শরুক য়ারকখিবা অদু মুম্বাই মহারাথিনা লুপা লাক্ষ ৩৮ দা লৈখি।

অতোপ্পা ওক্সন খরদা চাইনাগী রেষ্টলর সুন য়নান হারিয়ানা হেমর্সনা লুপা লাক্ষ ২২.৫০ দা লৈখি। য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়নসিপকী গোল্ড মেডলিষ্ট রুসিয়াগী ইলিয়াস বেকবুলাতোপ্পু পঞ্জাব রোয়েলস টিমনা লুপা লাক্ষ ৩৪ দা লৈখি। ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপকী সিলভর মেডলিষ্ট উদুনয়োনা ফোলাসাদে মুম্বাই মহারাথিনা লাক্ষ ৩৫ লৈখি। অতোপ্পা সিলভর মেডলিষ্ট মরুৱা অমরি ভির মরাথাসনা লাক্ষ ২৫ দা লৈখি।

# ৩৯শুবা সব-জুনিয়ার, জুনিয়ার, সেনিয়ার অর্টিষ্টিক অমসুং ২শুবা এরোবিক ষ্টেট লেভেল জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়নসিপ ২০১৭



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসনন (এ এম জি এ)না শিন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টদিয়মদা চথরিবা ৩৯শুবা সব-জুনিয়ার, জুনিয়ার, সেনিয়ার অর্টিষ্টিক অমসুং ২শুবা এরোবিক ষ্টেট লেভেল জিম্নাষ্টিক চেম্পিয়নসিপ ২০১৭গী ইন্দিভিজ্যুএল ওল রাউন্দা ৱাই পি সি য়ুনিটকী কে রুপকান্তা শর্ম্মনা অপুন্বা পোইন্ট ৬৭.১০ ফঙদুনা গোল্ড, য়ু ৱাই সি গী সি ঐচ মৈরাবা মৈতৈনা পোইন্ট ৫৮.৩৫ ফঙদুনা সিলভর অমদি হোক্কি য়ুনিয়নগী এস রুবেন মৈতৈনা পোইন্ট ৪২.৫৫ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেনিয়র বোইজ কাংলুপকী হোরাইজেন্টেল বারদা ৱাই পি সি গী কে রুপাকন্তনা পোইন্ট ১১.৩০ ফঙদুনা গোল্ড, ৱাই য়ু সি গী সি ঐচ মৈরাবা মৈতৈনা পোইন্ট ১০.৯০ ফঙদুনা সিলভর অমদি হোক্কি য়ুনিয়নগী এস রুবেন মৈতৈনা পোইন্ট ০৩.০০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী পেরেল্লেল বারদা ৱাই পি সি গী কে রুপকান্তনা পোইন্ট ১১.৬৫ ফঙদুনা গোল্ড, য়ু পি সিগী সি ঐচ মৈরাবা মৈতৈনা পোইন্ট ০৮.৪৫ ফঙদুনা সিলভর অমদি হোক্কি য়ুনিয়নগী এস রুবেন মৈতৈনা পোইন্ট ০৫.০০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী বোলটিং টেবলদা হোক্কি য়ুনিয়নগী সনাসম রোবেন মৈতৈনা পোইন্ট ১২.৩৫ ফঙদুনা গোল্ড, য়ু ৱাই সি গী মৈরাবানা পোইন্ট ১২.০০ ফঙদুনা সিলভর অমদি ৱাই পি সিগী কে রুপকান্তা শর্ম্মনা পোইন্ট ১১.৭০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী রোমান রিংদা ৱাই পি সিগী কে রুপকান্তা শর্ম্মনা পোইন্ট ১০.০৫ ফঙদুনা গোল্ড, য়ু ৱাই সি গী সি ঐচ মৈরাবানা পোইন্ট ০৭.৮০ ফঙদুনা সিলভর অমদি হোক্কি য়ুনিয়নগী সনাসম রুবেননা পোইন্ট ০৯.৫০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী পোম্মেল হোর্সতা ৱাই পি সিগী কে রুপকান্তা শর্ম্মনা পোইন্ট ১০.৫ ফঙদুনা গোল্ড, য়ু ৱাই সি গী সি ঐচ মৈরাবানা পোইন্ট ০৯.৮০ ফঙদুনা সিলভর অমদি হোক্কি য়ুনিয়নগী সনাসম রুবেননা পোইন্ট ৯.৫০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী ফ্লোর এক্সরসাইসদা হোক্কি য়ুনিয়নগী এস রুবেন মৈতৈনা পোইন্ট ১১.৭০ ফঙদুনা গোল্ড, ৱাই পি সিগী কে রুপকান্তা শর্ম্মনা পোইন্ট ১১.২০ ফঙদুনা সিলভর অমদি য়ু ৱাই সি গী সি ঐচ মৈরাবানা পোইন্ট ০৬.৮৫ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

চহি ১৭ মখাগী বোইজ কাংলুপকী বোলটিং টেবলদা হোক্কি য়ুনিয়নগী অহৈবম নেলবিননা পোইন্ট ১০.৭৫ ফঙদুনা গোল্ড, য়ু ৱাই সি গী সি ঐচ বিজেস সিংহনা পোইন্ট ৯.৮০ ফঙদুনা সিলভর অমদি হোক্কি য়ুনিয়নগী দব্লিউ নিসি লুৱাংনা পোইন্ট ৯.৬৫ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী রোমান রিংদা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নষ্টিক এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী খ্বাইরকপম অরজুন সিংহনা পোইন্ট ৯.২০ ফঙদুনা গোল্ড, হোক্কি য়ুনিয়নগী অহৈবম নেলবিননা পোইন্ট ৪.৭০ ফঙদুনা সিলভর অমদি দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী কে ঐচ রিসিকান্তা সিংহনা পোইন্ট ৩.৮৫ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী পোম্মেল হোর্সতা দিষ্ট্রিক্ট জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী কে ঐচ অরজুন সিংহনা পোইন্ট ৯.৫৫ ফঙদুনা গোল্ড, হোক্কি য়ুনিয়নগী অহৈবম নেলবিননা পোইন্ট ৪.৩৫ ফঙদুনা সিলভর অমদি সি ঐচ বিজেস সিংহনা পোইন্ট ২.৫০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

চহি ১৬ মখাগী গার্লস কাংলুপকী বোলটিং টেবলদা ৱাই পি সি তাকয়েলগী খাইদেম পান্থোই দেবীনা পোইন্ট ১০.৪০ ফঙদুনা গোল্ড, হোক্কি য়ুনিয়নগী নিংঙোম্বম জেসিকা দেবীনা পোইন্ট ৭.১০ ফঙদুনা সিলভর অমদি ৱাই পি সি তাকয়েলগী হিরোম লিনথোই চনুনা পোইন্ট ৭.০০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী ফ্লোর এক্সারসাইসদা ৱাই পি সি তাকয়েলগী খাইদেম পন্থোই দেবীনা পোইন্ট ১০.৫০ ফঙদুনা গোল্ড, হোক্কি য়ুনিয়নগী হুইরেম জেসিকা দেবীনা পোইন্ট ৬.৮০ ফঙদুনা সিলভর অমদি ৱাই পি সি তাকয়েলগী হিরোম লিনথোই দেবীনা পোইন্ট ৫.৭০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী বেলেন্সিং বিমদা ৱাই পি সি তাকয়েলগী হিরোম লিনথোই চনু, কে ঐচ পন্থোই দেবী অমদি বিবিনা পামেনা মথংশিংনা পোইন্ট ৯,৮.৯০ অমদি ৮.৭০ ফঙদুনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

চহি ১২ মখাগী গার্লস কাংলুপকী ভোলটিং টেবলদা ৱাই পি সি তাকয়েলগী এন অরিনা চনুনা পোইন্ট ৮.৬০ ফঙদুনা গোল্ড, ৱাই পি সি তাকয়েলগী হিরোম তানুজা চনুনা পোইন্ট ৮.৪০ ফঙদুনা সিলভর অমদি হোক্কি য়ুনিয়নগী তোমথিনঙাম্বী হাওবিজমনা পোইন্ট ৫.০০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

কাংলুপ অসিমক্কী ফ্লোর এক্সরসাইসদা ৱাই পি সি তাকয়েল গী হিরোম তানুজা চনুনা পোইন্ট ৯.৮০ ফঙদুনা গোল্ড, ৱাই পি সি তাকয়েলগী নিংথৌজম এরিনা চনুনা পোইন্ট ৯.০০ ফঙদুনা সিলভর অমদি হোক্কি য়ুনিয়নগী তোমথিনঙাম্বী হাওবিজমনা পোইন্ট ৫.০০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে। কাংলুপ অসিমক্কী বেলেন্সিং বিমদা ৱাই পি সি তাকয়েলগী হিরোম তানুজা চনুনা পোইন্ট ১০.৩০ ফঙদুনা গোল্ড, ৱাই পি সি তাকয়েলগী নিংথৌজম এরিনা চনুনা পোইন্ট ১০.২০ ফঙদুনা সিলভর অমদি হোক্কি য়ুনিয়নগী তোমথিনঙাম্বী হাওবিজমনা পোইন্ট ৫.১০ ফঙদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।



# ২২শুবা ৱাই নিলমনি মেমোরিয়েল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৭

## কে ঐচ সঞ্জয়না টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখ্রে





ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ঃ

মণিপুর চেছ এসোসিয়েসননগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ চেস ক্লবনা শিন্দুনা শিংজমৈ কম্যুনিটি হোলদা স্বুইজ রাউন্দদা চথরকখিবা ২২শুবা ৱাই নিলমনি মেমোরিয়েল ওপন চেস টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসিগী অরোইবা রাউন্দা কে ঐচ সঞ্জয়না মহাক্কী লম্বা এন শান্তিবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৬.৫ ফঙদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখ্রে। ঐচ সোমোকান্তানা মাগী লম্বা এ চক্রিতোম্বীবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৬ ফঙদুনা অনীশুবা অমদি পোইন্ট ৫.৫ ফঙখিবা এন শান্তিকুমারনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা রাউন্দা কে ঐচ মেরানা মহাক্কী লম্বা টি ঐচ গোবিনবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৫.৫ ফঙদুনা মরিশুবা, ঐচ জেকিগা মহাক্কী লম্বা মুধুসোদোন এমগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট মান্ননা লৈরবসু প্রোগেসিব স্কোরদা পোইন্ট ৫ ফঙদুনা ৫শুবা পোজিসন তাখ্রে। ও নিংথেমনা মহাক্কী লম্বা বিক্রমজিৎপু মায়থিপা পীদুপা পোইন্ট ৫ ফঙদুনা ৬শুবা পোজিসন, এম মুধুসোদোন এমনা অপুন্বা পোইন্ট ৫ ফঙদুনা ৭শুবা, এম ওমেন্দ্রোনা মহাক্কী লম্বা ৱাই প্রিতমকুমারবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৫ ফঙদুনা ৮শুবা পোজিসন তাখ্রে।

টেবল নম্বর ৭তা শান্নখিবা টি ঐচ নবাচন্দ্রনা মহাক্কী লম্বা এম পিশকপু মায়থিবা পীদুনা ৯শুবা এ চক্রিতোম্বীনা ঙসিগী অরোইবা রাউন্দ ফাওবদা পোইন্ট ৪.৫ ফঙদুনা ১০শুবা পোজিসন তাখ্রে। কে ঐচ গোবিননা অরোইবা রাউন্দ ফাওবদা পোইন্ট ৪.৫ অমদি প্রোগেসিব স্কোরদা পোইন্ট ১৮.৫ ফঙদুনা ১১শুবা, ই সসিকান্তনা মহাক্কী লম্বা এ বিনিটপু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৪.৫ ফঙদুনা ১২শুবা, কে পোইরৈখোম্বনা মহাক্কী লম্বা এ সরতপু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৪.৫ ফঙদুনা ১৩শুবা, ৱাই প্রিতমকুমারনা অরোইবা রাউন্দ অসি ফাওবদা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা ১৪শুবা অমদি কে ঐচ বিক্রমজিৎনা রাউন্দ অসি ফাওবদা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা ১৫শুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

এস ধনচন্দ্রনা অরোইবা রাউন্দ অসি ফাওবা পোইন্ট ৪.৫ ফঙদুনা বেষ্ট ওফ শিংজমৈ কন্সটিট্যুন্সি তাখ্রে। পোইন্ট ৫ ফঙখিবা ঐচ মানিতোননা বেষ্ট ভেটরান অমদি পোইন্ট ৪.৫ পি রাজেন্দ্রোনা অনীশুবা বেষ্ট ভেটরান তাখ্রে। পোইন্ট ৩ ফঙখিবা নুংশিথোই এন জিনা বেষ্ট গার্লস অদুগা পোইন্ট ৩ ফঙখিবা জি এ এরোস্মিটনা বেষ্ট বোই অমদি পোইন্ট ২.৫ ফঙখিবা কে এস ঐচ এমসননা অনীশুবা বেষ্ট বোই তাখ্রে।

ঙসিগী অরোইবা রাউন্দ অদু শান্নবা লোইরবা মতুংদা টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা মকোক-মথং তারবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা ওইনা লুপা ১৫,০০০, রন্নর্স অপতা লুপা ১০,০০০, অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা ৭,০০০, মরিশুবা পোজিসনদা লুপা ৫,০০০, মঙাশুবা পোজিসনদা লুপা ৩,০০০, তরুকশুবা পোজিসনদা লুপা ১,৫০০ অদুগা তরেৎশুবদগী তরাশুবা পোজিসন ফাওবদনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং অমমম য়াওরি।

১১শুবা পোজিসনদগী ১৫শুবা পোজিসন ফাওবদনা লুপা ৫,০০ /৫,০০ য়াওরি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*